ফেষ্টিভেল ওফ নেরেটিভ আর্টস ফেষ্টিভেলগী মঙানি চনবদা খোংজোম পর্ব্ব নিংথৌরেল শৈশক পাঙথোকখ্রে

FESTIVAL OF NARRATIVE ARTS
Orgd by : MANIPUR STATE SHUMANG LEELA COUNCIL
at IBOYAIMA SHUMANG LEELA SHANGLEN

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা কোনুং লম্পাক্তা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথরকপা ফেষ্টিভেল ওফ নেরেটিভ আর্টস ফেষ্টিভেলগী মঙানি চনবদা খোংজোম পর্ব্ব নিংথৌরেল শৈশক পাঙথোকখ্রে।

অথোই-অহেন তান্নবা পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা শৈশকশিংগী মনুংদা চথরকপা ফেষ্টিভেলগী হয়েং অরোইবদা পেনা শৈশক্কী অথোই-অহেন তান্নগনি। লোইশিল্লকপদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা লান্থোকপা থৌরম পাঙথোক্কনি।

খোংজোম পর্ব্ব নিংথৌরেল শৈশক্কী ওইবদা মণিপুরগী পুৱারীদা থোকখিবা ঙসিগী মীরোলনা কাউঙমদনা লৈরিবা কুমজা ১৮৯১গী থৌদোকসি খোংজোম লালনি। অথৌবা মণিপুরগী মপারী পাউনা ব্রজবাসি, চিংলেনসনা, বীর টিকেন্দ্রজিৎ, মেঞ্জর চোংথামিয়া কয়ানা লুচিংদুনা বৃটিশকা অকনবা লান্থেংনখিবা পুৱারীবু ৱারী লীবা খোংজোম পর্ব্ব শৈশকনি। লাল অদুবু মমিৎমক্না উহৌবা লাই ওইখ্রবা শমজেৎশাবম ধোবী লৈনৌনা ৱারী ওইনা লেংশিন্দুনা ঈশৈ ওইনা শৈথাদুনা পুথোক্লম্বা ধোলোক থিন্দুনা মীয়ামদা পাউদল্লম্বগী ৱারী খোংজোম লালগী তাঙ্কক্কী শৈশকপু খোংজোম পর্ব্ব হায়দুনা খঙনরকখি।

কুল্লচন্দ্রনা নিংথৌ ওইবা, টিকেন্দ্রজিৎনা যুবরাজ ওইদুনা পানবা মতমনি। খোংজোম লালগী মনুংদা য়াইস্কুল লাকপবু কুল্লচন্দ্র নিংথৌ মচিন-মনাওনা কৌখৎপা, বৃটিশ লান্মীনা বর্মাদেশতগী লাকপদগী তেংনৌপলদা মৈতৈগী লানবন শারিবা মফমসিদা লাল থেংনখিবা, বৃটিশ লান্মীগা থেংনবদা ঙমদদুনা লান্নিং হন্দে দারক্তুনা ৱাংজিং কোদোম্পোকপীদা লালগী মৈশা খাংখিবা কয়াদা শৈথাবা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অথোই-অহেন তান্নবনি।

অথোই-অহেন তান্নবা অসিদা নিঙোম্বম মেধাবতি, তোইজম অরুনা চনু, হন্থোইবী ওইনাম, লীনদা খাইদেম, খাইদেম লনচেনবী চনু, য়ুম্নাম সৈত্যবতিনা শরুক য়াখি। খোংজোম পর্ব্ব ফেষ্টিভেলদা নুপাগী ওইবা মায়কৈদগী অমত্তনা শরুক য়াখিদবা হায়বসি খোংজোম পর্ব্ব শৈশক্কী ওইবদা নুপাশিংদা লৈতে হায়বা তাক্লে। হীরম খূদিংদা নুপীশিংনা য়োকখৎপগী ফীভমদা লাক্লবা অমগুম্না উরক্লি।

খোংজোম পর্ব্ব শৈশক্কী অহৌবদা উনন্দনা চে পাথোক্তুনা খঙহনখি। খোংজোম পর্ব্ব নিংথৌরোল শৈশক মিংথোনবা মনা পীদুনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মনা পীদুনা লান্থোক্কনি।

খোংজোম পর্ব্ব শৈশক অসি হৌজিক্কী মতমগী মীরোলনা তাবা ফংলক্ত্রবা মতম অমসু ওইরবনি। মশানা ধোলোক পায়দুনা থিন্দুনা তাল থারগা শকচবা ঈশৈ পুৱারীগী ১৮৯১বু কাউবা ঙল্লরোইদবা লালগী তাঙ্ককপু নীংশিংহনবা শৈশক অসিদি য়োকখৎপা চঙই।

সী ঐচ সী ককচিংদা চহী নিপান হেন্না এম্বুলেন্স লৈরমদবা লাইবক থীবনিঃ রামেশ্বর

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস) : ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী এম এল এ ময়াংলাংবম রামেশ্বরনা ককচিংগী অৱাৎ অপাশিং শেমগৎ শাগৎলিবশিং কোয়না চত্তুনা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

খোঙচৎ অদুদা এম এল এনা কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর (সী ঐচ সী) গী অৱাৎ অপাশিং য়েংশিল্লবা মতুংদা হোস্পিটাল অসিদা এম্বুলেন্স লৈতবা চহী ৮ হেল্লক্লে, হীরম অসিগী মতাংদা হুইয়েন লানপাউ পাউ চেদা পাউ অনীরক ফোঙখিবদা য়াদদুনা লৈরক্লবা এম্বুলেন্স লৌথোকখিবা নত্তনা করিসু থবক ওইনা পায়খৎপীদনা লৈরি।

মসিগী মতাংদা এম এল এগী ওইনা ৱাখল্লোন করি লৈ হায়না হংখিবদা ৱাহংগী পাউখুমদা এম এল এ, রামেশ্বরনা হায়, হোস্পিটাল অসিগী এম্বুলেন্স চহী ৮ হেন্না লৈরমদবা হায়বসি অঙকপা ফাউই অমসুং লায়বকথিবনি। হেল্থকী লোয়শঙসু পুরিবা মণিপুরগী সী এমদা হয়েংবক থাদুনা য়াম্না অথুবা মতমদা এম্বুলেন্স অমা লৈহন্নবা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা তকশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

এম এল এ রামেশ্বরনা মখা তানা হায়, মহাক্না এম এল এ ওইরকপা নুমিৎ ৪৫ রোম শুরক্লে অদুবু ককচিংগী অৱাৎ অপা অসি করি করিনো হায়না অহানবা খোঙথাং ওইনা য়েংশিনবা হৌবনি। অৱাৎ অপাশিং অদু খঙদোক্লবা মতুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী সী এম, মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিংগা তান্নদুনা অমসুং সেন্ত্রেল গর্ণমেন্টতগী প্রোজেক্টশিং লৌথদুনা শেমগৎ শাগৎনবা হোৎনরকপনি হায়খি।

ঙসিগী সী ঐচ সী ককচিংদা লাকপা নত্তনা এম্বুলেন্স লৈতবা চহী ৮ হেল্লকপা হায়বসি ককচিং খত্তা নত্তনা ককচিংগী খুললোন্নবদা লৈরিবা খুলশিংগী লৈরিবা মীয়ামদা অৱাবা কয়া মতম শাংনা মায়োক্লদুনা শোয়দনা লাক্লম্লগনি। মণিপুরগী সী এম ওইরিবা এন বিরেননা লায়রবা মীয়াম্বু অনা লায়েংবদা মতেং পাংনবা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তোংবাং (সী এম ঐচ টি) স্কিম হৌদোক্তুনা ইমুং কয়াদা মতেং পাঙবিরিবনি।

হোস্পিটাল অসিগী অৱাৎ অপাশিংগী মতাংদসু দিষ্ট্রিক্ট অমগী মথৌ তাবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমা ওনখৎনবা প্রোজেক্টশিং শেমদুনসু হোৎনরগনি অমসুং মীচম মীয়ামদা চপ চাবা অনা লায়েংবগী খুদোংচাবা অদু পীদুনা নাদা য়েক্তবা মশা মউ ফবা খুনাই অমা শেম্নবা হোৎনগনি ফোঙদোকখি।

এম এল এ রামেশ্বরগী খোঙচৎ অদুদা ককচিং টাউন্দদা থক্লবা টোটি ঈশিং পীরিবা পি ঐচ ই দি, ককচিং দিভিজনগী মখাদা ককচিং উয়োক চিংদা লৈরিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমসু য়েংশিনখি। মফম অদুদা পাউমীশিংদা এম এল এ রামেশ্বরনা ফোঙদোকপদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্রা মোদিগী লমজিং মখাদা মণিপুর লৈঙাক্কী সী এম, বিরেননা মণিপুরগী মীয়ামদা অফবা থক্লবা ঈশিং পীননবা পায়খৎলকখিবা থবক্কী মখাদা ঙসি ককচিংগী টাউনদা পীরিবা ঈশিং অসি য়েংশিনবা লাকখিবনি।

স্কিম অসিনা ককচিংগী মীয়ামদা ঈশিং চাং নায়না অমসুং নীংথিনা ফঙহনবা ঙমদনা লৈরিবা অসি মেছিন য়াদবা অমসুং শেমগৎ শাগৎপা মথৌ তাবা কয়া অমা লৈরম্লে। পি ঐচ ই দিগী ওফিসলশিংগা নোংমা নীনি অসিদা তানদুনা সী এম অমসুং পি ঐচ ই দি মিনিষ্টরদা অৱাৎ অপাশিং অসি মেনখৎপীনবা হায়জদুনা মীয়ামদা থক্লবা অফবা ঈশিং পীনবা হোৎনরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

পি ঐচ ই দি ককচিং দিভিজনগী ঈ ঈ আর কে সুরেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা ককচিংগী ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসি অরবান এরিয়াশিংগী ওইনা অরবান ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট স্কিম ফোর স্মোল এন্দ মেদিয়ম টাউন (য়ু আই দি এস এস এম টি) গী মখাদা ৬.৩ এম এলদিগী প্রোজেক্টনি।

স্কিম অসিগী ক্লারিফ্লোকুলেটোরদা য়াখিদবদগী রিনোভেট তৌবগী মতম ওইবনা মীয়ামদা ঈশিং নীংথিনা পীবা ঙমদবনা লৈরি। অয়াম্বা শরুক শেন্বা লোইশিল্লক্লে খল্লি।

হৌজিক হৌজিক প্রেসর ফিল্টরদগী সপ্লাই তৌদুনা চলাইরিবা ৱাটর সপ্লাই ঈশিংগী লেবোরেটোরিসু অথুবা মতমদা মথৌ তাবা হৌহন্দুনা ঈশিংদা হকচাং শোক্লিংঙোই ওইবা কেমিকেলশিং য়াওব্রা হায়বদু টেষ্ট তৌবগী থবকসু হৌহল্লগনি। অৱাৎ অপা লৈবা কয়া অদু ককচিং এ সীগী এম এল এগা তাথোক তাশিন তৌমিন্নরগা মীয়ামদা মতম খরগী মনুংদা ঈশিং নীংথিনা ফংহন্নবা হোৎনরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এম এস পি দি সী এলগী ৱান টাইম রিলেক্সেসন প্রোসেসকী মায়োক্তা হায় কোর্টতা পিটিসন ফাইল তৌদুনা ৱাকৎলক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস) : মতম অমদা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট হায়রম্বদগী হৌজিক্লা মণিপুর ষ্টেট পাৱর কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি সী এল) অমসুং মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল) হায়দুনা অনী থোক্লা খাইদোক্লবা কম্পেনিশিং ওইনা খঙনরবা কম্পেনিশিং অসিগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র (ইলেক্ট্রিসিটি) দা প্রমোসন্দা এপোইন্টমেন্ট পীনবগী মতাংদা ৱান টাইম রিলেক্সেসন ওফ ক্বালিফায়িং য়রস ওফ সর্ভিসকী চথরক্লিবা প্রোসেসকী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সিভিল রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌদুনা ৱাকৎলক্লে।

পিটিসন অসি হৌজিক এম এস পি দি সী এলদা মেনেজরশিং ওইনা থবক তৌরক্লিবা তোঙান তোঙানবা মীওই মঙানা পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকপনি। মখোয়শিং অদুনা ইম্ফালগী নাগারাম ব্লোক-এদগী ভিক্টর দুইদাং (৫৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা নিংপ্রাং দুইদাং, অন্দ্রো মচেং পাৎ লৈকায়দগী ফাঞ্জৌবম উমা (৫৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা বির, খুরাই অহোঙ্গৈ লৈকায়দগী খোইরোম তরুনকুমার মৈতৈ (৫৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ ইবোচা, ৱাংখৈ কোইজম লৈকায়দগী লাইশ্রম বদনকুমার (৫৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল ইবোমচা অমসুং ব্রহ্মপুর নহাবম লৈকায়দগী হৱাইবম জিতেন (৫২) অপোকপা লৈখিদ্রবা ঐচ ধনবিরনি।

পিটিস্নর মঙানা ফাইল তৌরক্লিবা সিভিল রিট পিটিসন অসিগী নম্বর দব্লিয়ু পি (সিভিল) ৬০৯ ওফ ২০২০নি। অদুগা পিটিসন অসিনা রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লকখিবশিংগী মনুংদা প্রিন্সিপাল রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (পাৱর), কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (দি পি), মণিপুর ষ্টেট পাৱর কম্পেনি লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর (কৈশাম্পাৎ ওফিস), কম্পেনি অসিগী সেকেন্দ এম আরগী মনাক্তা লৈবা ন্যু দাইরেক্টোরেট বিল্ডিংগী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং কৈশাম্পাৎ ওফিসতা লৈবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসর (এ ও) নি। লোয়ননা কেস অসিগী প্রোফোর্মা রেসপোন্দেন্টনা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী সেক্রেটরিনি।

কেস অসি থা অসিগী ৯দা জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা লৌখৎলগা খন্নখিবদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপখি। কোর্টনা নাকল অনীমক্কী কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা মেট্টর অসি রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর - ৫৫৯ ওফ ২০২০গা লোয়ননা মথং থাগী ১৪দা মখা তানা খন্ননবগীদমক অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

অর্বান লোকল ইলেক্সনশিং য়েথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটেরিএট : মাহুদ দিপার্টমেন্টকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি মোহম্মদ য়াসর অহম্মদ খাননা ঙরাং ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনগী সেক্রেটরিদা ইখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিগী অর্বান লোকল ইলেক্সনশিং পাঙথোকখিরোই হায়রি। চেরোল অদুগী মতুংইন্না ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং নগর পঞ্চায়টশিংগী জেনরেল ইলেক্সন-২০২০-২০২১ অদু কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরদুনা থা অসিগী ৯দা ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেট মীফমনা খন্নরবা মতুংদা য়েথোক্লবা ৱারেপ লৌরে হায়নসু ফোঙদোরকখি হায়রি।

মতৈ মনাও য়াওনা য়ু জিনি হায়বা মীওই ৪ মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা থা অসিগী ১৬ অমসুং ১৮দা লালহৌ লূপ নেসনল রিভোল্যুস্নরি ফ্রন্ট ওফ মণিপুর (এন আর এফ এম) গী কাদরশিংনি হায়বগী চার্জদা ফাগৎখিবা মতৈ মনাও য়াওনা মীওই ৪ কোর্টতা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা কোর্টকী অয়াবা লৌরগা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে।

মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতগী ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রবা মীওইশিং অদুদি হৌজিক্লা বিজয় গোবিন্দ থাঙ্গপাৎতা লৈরবা শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তগী অহৈবম নিংঙোল ফুরাইলাৎপম ওংবী মমতা (৩৭) মপুরোয়বা পি ঐচ কিংসন, য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায়দগী ঙাসেকপম মোচা (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জি নিংথেমজাও অমসুং মহাক্কী লোয়নবী নিংথৌজম ওংবী সুসিলা অমদি হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুন্দ্রাকপম ময়ায় লৈকায়দগী কোইজম ননাওচা এলিয়জ দেবলা (৩৭) অপোকপা লৈখ্রিদবা কে ইনাওবনি হায়রি।

য়ু জিনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মীওই ৪ অসি কম্মান্দো টিম অসিনা ফারবা মতুংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্দা খূৎশিন্নরকপদগী মখোয়গী মথক্তা কেস এফ আই আর নম্বর ২১০ (১২) ২০২০ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অসি পুলিস ষ্টেসন অসিনা অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী সেক্সন ১৭/২০, ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৮৪, আর্মদস এক্টকী সেক্সন ২৫ (১-সী) অমসুং এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্টকী সেক্সন ৫গী মখাদা লৌখৎপনি।

পুলিসকী মায়কৈদগী মখোয়বু কষ্টদিদা থমদুনা ৱাহং পাউহং চথরবা মতুংদা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবনি। অদুবু মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মায়কৈদগী মখোয়না চৎলিবা কুমজা অসিগী জুন থাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা কোর্ট অসিদগী অয়াবা লৌরগা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখিবনি হায়রি।

মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎপা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বরনা ৩৪ (৬) ২০২০ অন্দর সেক্সন ৪-এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্টনি হায়রি।

কেস অসিগা মরী লৈনবা থৌদোক অদুনা জুন ২৫, ২০২০গী নুমিদাং পুং ১০ রোম তারকপদা মোইরাংদগী কুম্বী তাখিবা লম্বীগী মোইরাং থাংজিং লৈকায় মনাক্তা লৈবা নায়া নায়া হোটেলগী মনাক্তা ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিভ দিভাইস (আই ঈ দি) নি হায়না চিংনবা বোম য়াওবা খাও অমা (স্কুল বেগ) লৈরম্বদগী পুলিসনা চঙশিন্দুনা য়েংশিনখিবনি। মদুদা খাও অদুগী মনুংদা লিটর অমা মখায়গী প্রেসর কুকর অমগী মনুংদা মোবাইল ফোন হেন্দসেট অমা বেত্রিগা কোন্ননা য়াওরম্বগী মথক্তা এক্সপ্লোসিভ মেটরিএল গ্রাম ৯০০, নোর্মেল দিটোনেটর ৩ অমসুং ইঞ্চি অহুমলোম শাংবা ইলেক্ট্রিক দিটোনেটর অমা য়াওরমখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা মীওই ৪ অসিবু জুদিসল রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা কোর্টতা পুথোরকপদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মতুংইন্না ফারবা মীওইশিং অসিদগী পোইন্ট ৩২গী পিষ্টোল ২, নোংমৈসিগী মেগজিন ২, কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৫৭ অমসুং চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ ৩ য়াওনা দিমান্দ লেটর ১ রিকোভর তৌই হায়দুনসু ফোঙদোকখি।

মীওই ৪ অসিগী মনুংদা অহৈবম নিংঙোল ফুরাইলাৎপম ওংবী মমতা, ঙাসেকপম মোচা অমসুং মহাক্কী লোয়নবী সুসিলানা থা অসিগী ১৬তা ফাগৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা মখোয়বু ৱাহং পাউহং চথবদগী পুলিসনা লৌখৎলকখিবা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগী শরুক্তা কোইজম ননাওচা এলিয়জ দেবলাবুনা থা অসিগী ১৮দা ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

মখোয়দগী রিকোভর তৌখ্রবা পোৎলমশিং অদুগী মথক্তা মখোয়না শীজিন্নরম্বা তোঙান তোঙানবা ব্রান্দশিংগী মোবাইল ফোনশিং, মখোয়গী অধার কার্দ অমদি ভোটর আইদেন্টিটি কার্দনচিংবসু রিকোভর তৌবা ঙমখি হয়রি।

পুলিসনা কোর্টতা তৌরকখিবা প্রেয়র অদুগী মতুংইন্না ফারবা এন আর এফ এমগী কাদরশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মীওইশিং অসি লালহৌ লূপ অসিগী ফাইনান্স সেক্রেটরি নোংপোকঙানবা এলিয়জ দবলো কৌবা মীওই অমগী কম্মান্দ মখাদা পার্টি অসিগী ফন্দশিং খোমগৎনবগীদমক লন্নাই মীওই, লোইশঙশিং অমদি লন্নাই ক্লিনিকশিংদগী দিমান্দ লেটরশিং পীদুনা শেল খোমগৎপা কাঙবুনি হায়রি।

মখোয়বু এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টকী সুপরভিজন মখাদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী এদিসনেল এস পি (ওপস) না লুচিংবা অমসুং কম্মান্দো য়ুনিটকী ওফিসর ইন-চার্জ য়াওবা টিম অমনা বিজয় গোবিন্দ থাঙ্গপাৎ এরিয়াদগী হৌরদুনা মথং মথং ফাগৎলকখিবনি হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.867294
US Dollar	73.728721
British Pound	99.004460
Australian Dollar	55.785632
Chinese Yuan Renminbi	11.278535
Japanese Yen	0.712789
Malaysian Ringgit	18.145165
Singapore Dollar	55.288734
South Korean Won	0.066585
Saudi Arabian Riyal	19.660992
Thai Baht	2.440274
Myanmar Kyat	0.05449
Bangladesh Taka	0.86949

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	50065.00
Mumbai	–	Rs	50125.00
Delhi	–	Rs	50077.00
Kolkata	–	Rs	50485.00

GAS NEWS

M/S R AND H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking upto : 11/10 /2020
Valid form 12/09/20
Stock 306 Nos.
Home Dellivery &Booking Contact Nos.8414824977/8413936705/8132036940
Call Timing 8.30to 12Noon

KHORIPHABA NAMBOL
Bk upto 11-11-20 (sl.upto 20983)
Mobile no : 9366471778, 883749474

IMPHAL LPG SERVICE
Home Delivery
Booking :19/12/20
Summit house no. LPG ID no
Address with land mark also
digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers 6009392991, 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
Please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto sl.no.50 A&B of 30/11/2020
Valid from : 23/11/20
Time : 7.30 to 11am

TANGLEI GAS OINAM
V/f- 27-11-20
B/upto - 01-12-20
Stock : 306
7am to 10am

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 26/11/2020
BOOKING UPTO: 27/11/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM

KHONGNANG GAS AGENCY, NINGTHOUKHONG.
Booking up to:23/12/2020.
Valid from: 13/12/2020.
Please Contact:
7085412119/7085411559
Time: 7:30am to 10:30 am.

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto14.2kg-17/12/2020
Valid from-19/11/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

MAIBIA GAS MOIRANG:
BOOKING UPTO : 05/11/2020
VALID FROM : 02/11/2020
STOCK= 612
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP - 9612883295 (MOIRANG A/C). 2. AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

ওক্রম হেনরিগী মথক্তা তৌরকপা...

লামায় ১গী মখা... দিরেক্সন পীখি। কোর্টকী রেজিষ্ট্রিনসু হায়রিবা নুমীৎ অদুদা ৱিটনেস অসিনা কোর্টতা চঙলকপদা অয়াবা পীনবসু খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, নুমীৎ অসিদা ইভিদেন্স লৌবা/লৌদবগী মতাংদা কোর্টতা পুথোক্লখ্রিবা অসি কেস অসিগী ৱিটনেসশিংগী মনুংদা পিটিস্নর ওইরিবা ৱাই ইৱাবত মশামক্কীনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন অদুদা মায় পাক্লকখিবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৬০গী এম এল এশিংগী মনুংদগী ১২গী মথক্তা তোঙান তোঙানবা পিটিস্নরশিংনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ইলেক্সন পিটিসনশিং ফাইল তৌরকখিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা অপূনবা ইলেক্সন পিটিসনশিং অসিগী মনুংদগী শুপ্নতগী ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা পিটিস্নর ওইদুনা ককচীং এ সীগী এক্স এম এল এ য়েংখোম সুরচন্দ্রগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনখক নত্তনা অতৈগীদি কোর্ট অসিনা অরোইবা ৱায়েল পীদনা লৈরক্লিবনি। অদুম ওইনমক ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো এ সীগী এক্স এম এল এ থৌনাওজম শ্যামকুমারগী মথক্তা মীখল অদুদা মহাক্না লম্বা তৌনখিবা বি জে পিগী মীরেপ ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনগীদি কোর্ট অসিনা অরোইবা ৱায়েল ফাওবা চথখ্রবা মতুংদা জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা কেস অদুগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজর্ভ তৌদুনা থল্লকখ্রবা মতুংদা ঙসি ফাওবদা কেস অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর লাউথোক্তনা লৈরক্লিবনি।

ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টগী থবক...

লামায় ১গী মখা... ওফিসিয়েলশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মিনিষ্টর ও লুখোইনা দিপার্টমেন্ট অদুদা লৈরিবা ভেটিরিনরি হোস্পিটাল, লেব রুম অমদি ওফিস বিল্ডিংশিংগী ফিভমসু হকথেংননা য়েংশিনখি।

কেস ১০৪ থেংনখ্রে, লৈখিদবা...

লামায় ১গী মখা... চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৭,৮২৭ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৪,৪৮৮ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৩৩৯নি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ২৬,০৩০ য়ৌরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২২,৮৪৯ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩১৮১ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৩.৫৪ য়ৌরে। অদুগা কেস ১৪৫৯ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১৩০৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৪৫ নি। লোয়ননা মীওই ১০২সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা দিজমনিগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচএনএস): কুমজা ২০১২গী দিসেম্বর ২৩দা থোকখিবা ঈহৌদা পুলিস কম্মান্দোগী নোংমৈ মরুনা পান্দুনা লৈখিদ্রবা থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়দগী থাংজম দিজমনি এলিয়স ননাওনা লৈখিদবগী ৮শুবা নীশিং থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থাংমৈবন্দ সিনা লৈকায় চৈরাওচীংদা লৈবা নীংশিং খুভমদা পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা নহারোল লৈশেম্বা ক্লব সিনাম লৈকায়গী থৌমিশিং, ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)গী মেম্বরশিং য়াওনা মীয়াম্না দিজমনিগী লৈখিদবগী খুভমদা লৈশু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। পনবা য়াবদি থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা পাউমি দিজমনি মশাগী মথৌ তৌরিঙৈদা পুলিস কম্মান্দোগী নোংমৈ মরু অমা পাকশিল্লকপদগী লৈখিদবনি।

জন্যুৱারী ৮ ফাওবা হায় কোর্ট ওফ...

*লামায় ১গী মখা...*অদুম ওইনমক মেট্টরশিং ফাইল তৌরকপা মতমদা মদুবু আর্জেন্সি ওইরে হায়বগী তোঙানবা এপ্লিকেসন অমসু লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

ওপরেসন ঠিএটর হায়বসি ...

লামায় ১গী মখা... ওপরেসন ঠিএটর মনুংদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা অয়েৎ অপন পীদনবা য়াম্না চেকশিন্না শাবা মথৌ তাই।

লমদম অসিদা লৈরিবা হেল্থ ওফিসরশিংনসু হোস্পিটালগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি পেসিএন্টশিংনা থেংনরিবা তোঙান তোঙানবা মখলগী খুদোংচাদবশিং থেংননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নিকি সুমিনা লুচিংবা এন এস সি এন...

লামায় ১গী মখা... তোঙানবা মফমশিংদা থবক থৌরম কয়া চথরি। লালহৌলুপ অসিনা হান্ননা অনলোফুল এসোসিয়েসনশিংনি হায়না লাউথোকখ্রবা অলফা (আই) অমদি মণিপুরগী লালহৌবশিংগা পুল্লগা ব্যুজিনেসমেন, গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েলশিং অমদি মীচমদা অকি অখঙ পোকহনবগা লোয়ননা নম হাদুনা শেল খায়বগী থবকশিং চথৈ হায়রি।

এগ্রিকলচর সেক্টর চাওখৎহন্নবগীদমক লৈঙাকপশিং অমদি ...

*লামায় ১গী মখা...*অসিদা চাওনা অচৌবা চৈফু অমা শোয়দনা পীরক্লগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদসু পাক্তক্লনা লৌউশিংবগী মতাংদা তাকপী-তম্বিদুনা এগ্রিকলচর সেক্টরদা ইন্টরেষ্ট লৈহন্নবা হোৎনবসু তঙাইফদ্রে। লোয়ননা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টগা লৌমীশিংগগী মরক্তা পাউ ফাওনবসু মথৌ তাই অমদি ইরিগেসনগী মতাংদা করিগুম্বা শেমগৎ-শাগৎপা তারবসু লৌমীশিংগা তান্নরগা তৌহন্নিংই। মদুনা ইরিগেসনগী শেমগৎ-শাগৎলিবা থবক কয়াশিং ফেল ওইদুনা তাদুনা লৈগদবদগী কনবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘ মণিপুর ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরি তেলেম দারনা ফোঙদোরকখিবদা সিঙ্গল ক্রোপ ফাওবদা ফেল ওইরিবা লমদম অসিদা দবল ক্রোপিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা হায়বসি লাইবক থিবনি। লৌমীশিংগী মথৌ তারিবা ঈথৈ-লৌখোংশিং মতিক চানা লৈতবনা লমদম অসিদা পোৎথোক পুথোকপা ৱাৎপনি। মতিকচাবা ঈথৈ লৌখোং পীবিদনা লৌমীশিংবু থবক শুনিংদে হায়বদি লানগনি। পোৎথোক পুথোকপা ৱাৎতুনা মপান্দগী পোৎচৈ হেক লৈরিবমখৈ লমদম অসি চাওখৎপা ঙম্লোই। লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক হরিয়ানা অমদি পঞ্জাবকী লৌমীশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা চৎথরিবা ঈহৌ অসি মণিপুরগী লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগদি য়াম্না খেন্নরি। মরমদি মফম অদুগী লৌমীশিংনা মায়োক্লরিবা প্রোব্লেম অদুগা লমদম অসিগী লৌমীশিংনা থেংনরিবা প্রোব্লেমগা য়াম্না খেৎনবা লৈ। ষ্টেট অসিদা হৌজিক-হৌজিক মথৌ তারিবদি লৈঙাক্লা লমদম অসিগী লৌমীশিংনা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনবদা মতিক চানা মতেং পাংবিবা অমদি মথৌ তারিবা ঈথৈ-লৌখোংশিং পীবিবা অদুনি। লৌ লোকপা হেক লোয়খ্রবা মতুংদা অরায়বা মওংদা গেহু থানবা মচাকশিং অমদি মেছিনরিশিং ফংহন্দুনা লৌমীশিংদা থবক তৌহনবিরবদি লমদম অসিদা মপুং ফানা পোৎথোক পুথোকপা ঙমগনি।

লোয়ননা মহাক্না হায়, লমদম অসিগী লৌমীশিংনসু অমত্তা ওইনা চৎমিন্নবা মথৌ তাই। লমদম অসিদা লৌ উনরিবা অসিদি শুপ্নগী চহী অমগী চাবা কোন্নজনবা থায়নদগী উনরকপা লৌ খুড অদুমক উদুনা লৈরি। লৌউশিংউববু বিজিনেস অমা ওইনা তৌদুনা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোক্তুনা শেন্দান লম্বী অমা ওইনবা থবক লমদম অসিদা তৌবা ইউ উদ্রি। অদুবু চান-থক্লবা পোৎলমশিং হেক মীপাল তাংলিবমখৈ লমদম অসি চাওখৎপা ৱাগনি। হৌখিবা চহী খরগী মমাংগা য়েংনরুবগদি লমদম অসিদা এগ্রিকলচরগী সেক্টরদা অহোংবা কয়া লাক্লে। মরম অদুনা হোংলক্লিবা ৱাখল্লোল অসি লৈঙাক্লা তরাম্না ওকপিদুনা ৱাটর মেনেজমেন্ট মপুং ফানা তৌবিদুনা ঈশিং মরাং কায়না ফংহনবিরবদি লমদম অসি সনা থোকপা লমদম অমা হায়বদু ওইবা ঙমগনি। চহী কয়া লৌমীশিংনা মথৌ তারিবা অসি ঈশিংনি হায়বসি লৈঙাক্লা খঙনা-খঙনা শাংলবা চহী কয়াসি ঈশিং মতিক চানা পীবিদ্রিবা অসি লৌমীগী পুক হাংহন্দুনা থমগদবনি, লৌমীনা শেল পায়খ্রবদি ভোট ফংলরোই হায়না খল্লবরা হায়বসিসু চিংনদবা ঙমদে। লৈঙাক্লসু লৌমী চাওখৎনবনি হায়দুনা থবক কয়া পায়খৎপা হৌরে। পায়খৎলিবা থৌরাং থৌশিলশিং অসি থবক্তা ওইনা ওন্থোকহন্নিংই। মতম কয়া লমদম অসিগী লৌমীশিংবু থওইবিদনা লাকখ্রবসু ঙসিদি লৌমীশিংবু পুক্নিং থৌগৎপগী তঙাইফদবা লৈরে। মদুনা চাওখৎপা, পোৎথোক মরাং-কায়না পুথোকপা লমদম অমা হায়বদু ওইরকপা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

যূকো বৈংক UCO BANK

(भारत सरकार का उपक्रम / A Govt. of India Undertaking)
सम्मान आपके विश्वास का / Honours Your Trust

রুল ৮(১)
ইম্মুভেবল প্রোপর্টিগী
[illegible]/পোজেসন নোটিশ

সেক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সট্রক্সন ওফ ফাইনান্সিয়েল এসেটস এন্দ এনফোর্সমেন্ট ওফ সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট এক্ট (এস এ আর এফ এ ঈ এস আই), ২০০২ (নম্বর ৫৪ ওফ ২০০২)গী মখাদা **য়ুকো বেঙ্ককী** ওথোরাইজ ওফিসর ওইনা মখাদা সহি তৌরিবা ইশামক্না সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (এনফোর্সমেন্ট) রুলস, ২০০২গী সেক্সন ১৩(১২) ৯না পীবা শক্তি শীজিন্নদুনা শেল পুরিবা মীওই/গেরেন্টরশিংদা তোল্লিবা শেনফমশিং, মখোয়গী ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিংগা লোয়ননা নোটিশ অসি ফংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৬০ নিগী মনুংদা শিংদোক্লুবা খঙহঞ্জখ্রে।

মখাদা পল্লিবা বোরোৱর/গেরেন্টরশিংনা শিংফম থোকপা শেনফম শিংবা ঙমখিদবদগী ওথোরাইজ ওফিসরনা মথক্তা পল্লিবা এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩(৪) হায়রিবা এক্টসিগী রুল ৯না পীরিবা পাৱর শীজিন্নদুনা প্রোপর্টি অসি ১৭/১২/২০২০ ইংদা লৌশিল্লে হায়না বোরোৱর/গরেন্টর অমসুং মীয়ামদা নোটিশ অসি পীজরি। মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টিশিং অসি দিল্লিং তৌবিদনবা মীয়াম অমদি মরু ওইনা বোরোৱর/গরেন্টরশিংদা খঙহল্লি, করিগুম্বা দিল্লিং তৌগে হায়রবসু মখাদা পল্লিবা এমাওন্ট অমসুং শেন্দোইগা মান্নবা প্রোপর্টি শরুক্তুগীদি য়ুকো বেঙ্ক, চুড়াচান্দপুর ব্রাঞ্চকী অয়াবা লৌগদবনি।

বোরোৱর/গরেন্টরগী মিং অমসুং লৈফম	প্রোপর্টিগী মওং মতৌ	১৩(২) নোটিশ পীখিবা তারিখ অমসুং তারিখতুদা লৈরিবা শেনফম
বোরোৱর : - শ্রী ভৈগ্যচন্দ্র সিংহ (প্রোপ. লকি জেল্লরি) অপোকপা ও বাবুয়াইমা সিংহ লৈফম্না খুমুজাম্বা, চুরাচান্দপুর, মণিপুর।	পট্টা নং: ৩৪৬/২৭৫২ (অনৌবা) অমসুং সী এস দাগ নং: ৩০৩৩ ওইবা শ্রী ওইনাম ভৈগ্যচন্দ্র সিংহগী মিংদা রেজিষ্টর তৌবা ভিলেজ নম্বর ৪৪- নিংথৌখোংখা, বিষ্ণুপুরদা লৈবা একর ০.০৮৬ পাক চাউবা, মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা ইখোল —— অৱাং : ওইনাম ইবোচৌ সিংহগী লম খা : পাট্টা লমগী লেমহৌরিবা শরুক নোংপোক : লৈরক/লম্বী নোংচুপ : ওইনাম শ্যাম সিংহগী লম	নোটিশ পীখিবা তারিখ : ১০/০২/২০২০ লুপা ১৪,৯৯,৮৮০/- (লুপা লাখ তরামরি লিশিং মরিফুতরামাপন চনিপান মরিফুদমক)

তারিখ : ২২/১২/২০২০
মফম : চুড়াচান্দপুর

Sd/- Authorized Officer,
UCO Bank

HL-P/8329/24